ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬

# আইএসএলগী ১০ শুবা লীগ মেটচতা মুম্বাই অমসুং কোলকতা দ্রো চৎখিবগী মুম্বাইনা লীগ অসিগী টেবলগী মকোক্তা লৈখ্রে





*কোলকতাগী জেবিয়র লারা (য়েৎ) না মুম্বাই সিটি এফ সি গী মায়োক্তনা ইক্বেলাইজর চল্লবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকপা*

*মুম্বাই, ওক্তোবর ১১ঃ*

মহারাস্ত্রাগী সহর মুম্বাইদা লৈবা মুম্বাই ফুটবোল এরেনাদা ঙসি শান্নখিবা ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ৩ শুবা সিজনগী ১০ শুবা মেটচতা য়ুম্বু ওইখিবা মুম্বাই সিটি এফসি অমসুং এটলেটিকো দি কোলকতানা পাঞ্জল ১–১ চন্নরগা দ্রো চৎখিবদগী চখরিবা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মুম্বাই সিটি এফসিনা পুন্না পোইন্ট ৭ ফংদুনা লীগ অসিগী মকোক থাদুনা চৎপা ঙম্লি।

ঙসি মুম্বাইগী ফুটবোল এরেনাদা শান্নখিবা ইন্দিয়ান সুপর লীগকী ৩ শুবা সিজনগী ১০ শুবা মেটচ অদুদা টিম অনীমক্না লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা লৈরিবা পোজিসন অদু য়েংনরুরগা অনীমক্কী ওইবা য়াম্না মরুওইবা মেটচ অমা ওইখি।

শান্নবা হৌরকপদা য়ুম্বু ওইরিবা মুম্বাই সিটি এফসিগী শান্নরোইশিংনা চথখিবা এটেকশিং অমদা টিম অদুগী মিড ফিল্ডর প্রোনোই হলদরনা নিয়ম লান্না এটলেটিকো দি কোলকতাগী শান্নরোইদা ফাউল তৌরুবগীদমক মেটচ অদুগী রেফরিনা রেদ কার্দ উত্তুনা মখা তানা শান্নবা য়াখিদবদগী মেটচ অদু মুম্বাই সিটিগী শান্নরোই ১০ অদুগা এটলেটিকো দি কোলকতাগী শান্নরোই ১১ না লম্বা তৌনখি।

শান্নরোই অমা শোথখিবা অদুগী অৱাৎপা লৈরিঙৈ মেটচ অদুগী য়ুম্বু ওইখিবা মুম্বাই সিটি এফ সি গী কেপ্টেন উরুগ্বে মচা দিএগো ফোর্লান মমাঙদা শান্নখিবা মেটচতা মখোঙ খরা শোকখিবদগী ঙসিগী মেটচ অদুদা শান্নবা য়াওখিদবনি।

মরুওইবা শান্নরোই অমা য়াওখিদবা অমদি শান্নরোই অমনা রেদ কার্দ ফংদুনা ঙন্না ফিল্ডদগী থোকখ্রবা মতুং মুম্বাই এফসি গী মায়কৈদগী দিফেন্স তৌনা–তৌনা কাউন্টর এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই মাটিয়াজ দেফেদেরিকোনা শান্নবগী ২৭ শুবা মিনিটতা পাঞ্জল অমা চন্দুনা এটলেটিকো দি কোলকতাদগী পাঞ্জল ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতা শান্নরোই মশিং ৱাংখিবা মুম্বাইগী মায়কৈদদা হেনজিনবা ঙমদনা লৈরিঙৈ শান্নবগী ৮২ শুবা মিনিটতা টিম অদুগী জেবিয়র লারানা কোলকতাগী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা মেটচ অদু ১–১ দা দ্রো চৎখি।

ISL SEASON 3, 2016

| POS | TEAMS | M | W | D | L | GF | GA | GD | PTS |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | MUMBAI CITY FC | 3 | 2 | 1 | 0 | 3 | 1 | 2 | 7 |
| 2 | NORTHEAST UNITED FC | 3 | 2 | 0 | 1 | 3 | 1 | 2 | 6 |
| 3 | ATLÉTICO DE KOLKATA | 3 | 1 | 2 | 0 | 4 | 3 | 1 | 5 |
| 4 | DELHI DYNAMOS FC | 2 | 1 | 1 | 0 | 3 | 1 | 2 | 4 |
| 5 | FC PUNE CITY | 2 | 1 | 0 | 1 | 2 | 2 | 0 | 3 |
| 6 | CHENNAIYIN FC | 2 | 0 | 1 | 1 | 3 | 5 | -2 | 1 |
| 7 | KERALA BLASTERS FC | 3 | 0 | 1 | 2 | 0 | 2 | -2 | 1 |
| 8 | FC GOA | 2 | 0 | 0 | 2 | 1 | 4 | -3 | 0 |

# ইন্দিয়ানা ন্যু জিলেন্দবু রন ৩২১ দা মায়থিবা পীদুনা মেটচ ৩ গী সেরিজদা ৩ মক থোইদুনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইখ্রে



*ন্যু জিলেন্দগা শান্নখিবা টেষ্ট মেটচ ৩ গী সেরিজ লৌদুনা ট্রোফিগা লোয়নন্না পোজ তৌরিবা ইন্দিয়াগী ক্রিকেট টিম*

*কোলকতা, ওক্তোবর ১১ঃ*

ইন্দিয়া অমসুং ন্যু জিলেন্দনা টেষ্ট মেটচ ৩ গী সেরিজগী ৩ শুবা মেটচ কোলকতাদা শান্নখিবা অরোইবা টেষ্ট মেটচ অদুদা ইন্দিয়ানা রন ৩২১ দা মায়থিবা পীদুনা সেরিজ অদু ইন্দিয়ানা পুল্লপ থোইখ্রে।

ঙরাং শান্নবগী ৩ নি শুবা নুমিৎ লোইশিনখিবদা ইন্দিয়াগী অনীশুবা ইন্নিংস শান্নবদা ওপনর মুরালি বিজয় অমসুং চিটেশ্বর পুজারা মথং শিংনা আওট ওইদনা রন ১১ অমসুং ১ লৌদুনা লৈখিবনি। পনবা য়াবদি ইন্দিয়াগী ওপনর গৌতম গম্ভির রন ৬ লৌদুনা লৈরিঙৈদা শোকপদগী মখা তানা শান্নবা ঙমদনা পুজারানা মহুৎ শিনখিবনি।

ঙসি ৪ নি শুবা নুমিৎকী শান্নবা কুইদ্রিঙৈদা ওপনর মুরালি বিজয় রন ১৯ দা আওট ওইখিবদগী ঙরাং শোকখিবা গৌতম গম্ভির মখা তানা শান্নবা চঙলকখি। মহাক্না চিটেশ্বর পুজারাগনা ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদু নীংথিনা পুখৎতুনা রন ১০৯ ফাওবা য়ৌহনবা ঙমখি।

ঙরাং শোত্তুনা চঙখিবা গম্ভিরনা ঙসি মখা তানা থোরক্তুনা শান্নরকপা অদুদা রন ৫০ লৌদুনা লৈরিঙৈদা মহাকপু ন্যু জিলেন্দগী বোলর জিটননা আওট তাহন্দুনা ইন্দিয়াগী অনীশুবা ৱিকেট রন ১০৯ দা তুখি।

মহাক্কী মহুৎ ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোলিনা শীল্লকখি। মহাক্না ন্যু জিলেন্দগী বোল্লরশিং অদুবু য়াম্না কোম্না মায়োক্লদুনা লৈরিবা চিটেশ্বর পুজারাগা ৩ শুবা ৱিকেট পার্টনর্সিপকীদমক শান্নরকপদা রন ৪৯ হাপচিল্লগা ইন্দিয়াগী অপুনবা স্কোর রন ১৫৮ শুরকপদা ভিরাট কোলি রন ১৭ তা আওট ওইখি।

অহানবা ইন্নিংসতা রন ১৮৮ লৌবা ঙমখিবা অজিনক্য রহানে নৌনা শান্নবা চঙলকখি। মহাক্না চিটেশ্বর পুজারাগা ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদু রন ৫৮ হাপচিল্লগা পুন্না অনীশুবা ইন্নিংস অদুদা রন ২১৬ শুরকপদা ইন্দিয়গী অনীশুবা ইন্নিংস অদু দিক্লার তৌখি।

মতম অদুদা ন্যু জিলেন্দনা মায় পাক্লনবগীদমক্তা মখোয়গী ইন্নিংসতা রন ৪৭৪ লৌবগী টার্গেট লৈখি।

ন্যু জিলেন্দগী মায়কৈদগী মায় পাক্লবগী রন ৪৭৫ লৌননবা হোৎনরকপদা ইন্দিয়াগী বোল্লরশিংগী এটেকতা টিম অদুগী বেটচমেন অমত্তা রন ৩০ য়ৌবা ঙমখিদে।

টিম অদুগী ওপনর টোম লাথম অমসুং মার্টিন গুপ্তিলনা মায় পাক্লনবা রন ৪৭৫ গী টার্গেট অদু য়ৌননবগীদমক শান্নবা হৌরকপদা ইকুই কুইদ্রিঙৈ ইন্নিংস অদুগী অনীশুবা ওভরগী ৪ শুবা বোলদা টোম লাথমপু ইন্দিয়াগী বোল্লর উমেস যাদবনা রন ৬ তা আওট তাহখি।

কেপ্টেন কেন ৱিলিয়মসননা লাথমগী মহুৎ শিন্দুনা শান্নরকপদা গুপ্তিলগা পুন্না রন ৩৫ হাপচিমিন্নরগা মশাগী রন ২৭ তা আওট ওইখি। মহাক্কী মহুৎ শিনখিবা রোজ টেলরনা টিম অদুগী অনীশুবা ইন্নিংসকী ওইনা রন ৩২ লৌদুনা ইন্নিংস অদুগী খ্বাইদগী য়াম্না রন লৌবা ঙম্বা শান্নরোই ওইখি।

ন্যু জিলেন্দগী অনীশুবা ইন্নিংস অদু রন ৮০ দা ৱিকেট ৩ তুখ্রবা মতুং মখা তানা রন ৭৩ হাপচিল্লগা টিম অদুগী বেটচমেন ১০ মক আওট ওইখিবদগী মখোয়গী ইন্নিংস অদু রন ১৫৩ দা লোইশিনখিবদগী ইন্দিয়ানা ৩ শুবা টেষ্ট মেটচ অদু রন ৩২১ দা মায় পাক্তুনা মেটচ ৩ গী সেরিজ অদু পুল্লপ অহুমক থোইবা ঙমখি।

সেরিজ পুল্লপ মায় পাকখিবা অদুনা মরম ওইরগা ঙসি এমআরএফ টায়রনা স্পোন্সর তৌবা আইসিসি টেষ্ট ক্রিকেট শান্নবা লৈবাক্কী রেঙ্কিংদা ইন্দিয়ানা পোইন্ট ১১৫ ফংলগা হান্না পাকিস্তাননা নম্বর ৱান ওইরবা ফমথোল অদু মুনবা ঙমদুনা নম্বর ৱানদা লৈবা ঙমখি।

অহুমশুবা টেষ্ট মেটচ অদুদা ইন্দিয়াগী স্পিন্নর রবিচন্দ্রন আস্বিননা পুন্না ৱিকেট ১৩ লৌখিবা অদুনা মেটচ অদুগী খ্বাইদগী ফজবা শান্নরোইগী মনা ফংবগা লোয়নন্না মমাঙদা শান্নখিবা মেটচ অনীদা ফজখিবা বোল্লিংগী পার্ফোমেন্স অদু য়েংলগা মেন ওফ দি মেটচকী মনাসু মহাক্না ফংখি।

# ফ্রান্সকী গেল মোনফিলস সাংহাই এটিপি মাষ্টর্সকী নুপাগী সিঙ্গলসতা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে





*সাংহাই ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ২ শুবা রাউন্দ য়ৌখ্রবা ফ্রান্সকী মোনফিলস*

*সাংহাই, ওক্তোবর ১১ঃ*

চাইনাগী সহর সাংহাইদা পাঙথোক্লিবা সাংহাই এটিপি মাষ্টর্স টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ ফ্রান্সকী শান্নরোই টুর্নামেন্ট অসিগী ৬ শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইখিবা গেল মোনফিলসনা সাউথ অফ্রিকাগী শান্নরোই কেবিন এন্দরসনবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

মোনফিলস অমসুং এন্দরসন্না শান্নখিবা সাংহাই এটিপি মাষ্টর্স টেন্নিস টুর্নামেন্ট অদুগী অহানবা সেট অদু শান্নরোই অনীমক্না অমনা অমগী লম্বা চপ মান্ননা মায়োক্লদুনা সেট অদুগী ১২ শুবা গেম লোইশিল্লবা ফাওবদা গেম ৬–৬ থোইনদুনা নিয়মগী মতুংইন্না টাই ব্রেক শান্ননবা মথৌ তাখি। মদুদা ফ্রান্সকী শান্নরোই মোনফিলসনা সার্ভিস ফজবা খরা হেনখিবদগী টাই ব্রেক অদু পোইন্ট ৭–৪ দা থোইদুনা অহানবা সেট মহাক্না লৌখি।

অনীশুবা সেটতা সাউথ অফ্রিকাগী এন্দরসন্না ফনা কন্না হোৎনরবসু মোনফিলসনা মহাক্কী সার্ভিস গেম অমা ঙল্লিঙৈদা ব্রেক তৌখিবা অদুনা মরম ওইরগা সেট অদু ৬–৩ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগীদা নত্তনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবা নোবাক জোকোভিসনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দ বাই ফংলবা মতুং অনীশুবা রাউন্দদা ইটালিগী এফ ফোগনিনিবু ষ্ট্রেট সেটতা ৬–৩, ৬–৩ দা থোইদুনা মহাকসু অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা ফ্রান্সকী অতোপ্পা শান্নরোই জো ৱিলফ্রেদ সোঙ্গানা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা সর্ভিয়াগী জান টিপসারেভিসপু ৬–৩, ৭–৬ (৮–৬) তা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙবা ঙমখি। মহাক্না অহুমশুবা রাউন্দদা শান্নগদৌরিবা শান্নরোই অদুদি টুর্নামেন্ট অসিগী ৮ শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইখিবা ক্রোএসিয়াগী শান্নরোই মারিন সিলিক্না য়াম্না কন্না লম্বা তৌনখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৩–৬, ৬–৩, ৬–২ দা থোইরম্বা জর্মনিগী এন্দ্রি জ্বেরেভকা লম্বা তৌনরগনি।

অতোপ্পা টেন্নিসকী পাউ অমদা হোং কোংদা চথরিবা দব্লিয়ুটিএ টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা নুপীগী টেন্নিসতা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরিবী জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বরনা গ্রিসকী শান্নরোই এম সকারিবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬–৪, ৬–৪ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা য়ু এস এ গী এল সিরিকোগা লম্বা তৌনরগনি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৪ শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইখিবী ওষ্ট্রেলিয়াগী সামান্থা ষ্টোসুরবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬–৩, ৬–৪ দা থোইখিবী জপানগী এন হিবিনোনা অনীশুবা রাউন্দদা ফ্রান্সকী কে লাদেনোভিসকা লম্বা তৌনরগনি।

অতোপ্পা অহানবা রাউন্দগী মেটচ মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দদা লম্বা তৌনগদৌরিবী শান্নরোই অনী অদুদি ফ্রান্সকী কেরোলিন গার্সিয়া অমসুং য়ু এস কী বেথেনি মাটেক সেন্সনি। ঙসি গার্সিয়ানা জেক রিপব্লিক্কী টি মার্টিনকোভাবু ৬–৩, ৬–০ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

অতোপ্পা অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৫ শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইখিবী দেনমার্ককী কেরোলিন ৱোজনিয়াকিনা চাইনাগী এস ঝেংবু ৬–১, ৬–৪ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দদা ওষ্ট্রেলিয়াগী এম ইরাকোভিসপু ৭–৫, ৭–৬ (১১–৯) দা থোইরম্বী গ্রেট বৃটেনগী ঐচ ৱেটসনগা লম্বা তৌনরগনি।

অতোপ্পা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা লম্বা তৌনগদৌরিবী শান্নরোই অনী অদুদি চাইনাগী ক্যু ৱাং অমসুং গ্রেট বৃটেনগী জে কোন্টানি। অদুগা সর্ভিয়াগী এলিনা জাকোভিসসু অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

# ব্রিক্স টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়া ৩ লক শুবা ওইনা মায়থিবা নংলি



*বাম্বোলিম, ওক্তোবর ১১ঃ*

গোৱানা য়ুম্বু ওইদুনা মফম অদুগী বাম্বোলিমদা লৈবা এঠলেটিক্স ষ্টেদিয়মদা চখরিবা চহী ১৭ মখাগী ব্রিক্স (ব্রাজিল, রুশিয়া, চাইনা, ইন্দিয়া অমসুং সাউথ অফ্রিকা) ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা য়ুম্বু ইন্দিয়াবু চাইনানা পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীখিদুনা টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়ানা মেটচ ৩ শান্নবদা অহুল্লক শুবা ওইনা মায়থিবা নংলি।

মমাঙগী মেটচ অনীদা মায়থিবা নংখিবদগী ইন্দিয়াগী চহী ১৭ মখাগী ফুটবোল শান্নরোইশিং অদুনা চাইনাগা লম্বা তৌনরকপা অদুদা য়াম্না ফজবা মওংদা শান্নরক্তুনা অহানবা হাল্ফ অদুদা এটেক কয়ারক চখবা ঙমখি। অদুবু এটেকশিং অদুবু পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখিদবদগী হোৎনজমনশিং অদু মাঙজখি।

অনীশুবা হাল্ফতসু লম্বা মান্নদুনা লাক্তুনা লৈরকখিবা মতুং শান্নবগী ইনজুরি টাইমদা চাইনাগী হুৱাং কোংনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ইন্দিয়াবু ১–০ দা মায়থিবা পীখি। অরোইবা মেটচ ইন্দিয়ানা ব্রাজিলগা শান্নরগনি।

# ইন্দিয়ানা বংলাদেশ থোইখ্রে, ইরানসু মায় পাকখ্রে

*অহমেদবাদ, ওক্তোবর ১১ঃ*

ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা গুজরাট ষ্টেটকী কোনুং ওইরিবা অহমেদবাদতা পাঙথোক্লিবা কবাদ্দি ৱার্ল্ড কপ টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ (এ) গী মেটচ অমদা য়ুম্বু ইন্দিয়ানা বংলাদেশপু মায়থিবা পীখ্রে। অদুগা গ্রুপ (বি) গী মেটচ অমদনা ইরান্না কেনিয়াবু থোইখ্রে।

ৱার্ল্ড কপ কবাদ্দি অসিগী য়ুম্বু ওইরিবা ইন্দিয়ানা সাউথ কোরিয়াগী মখুত্তা মায়থিখ্রবা মতুং অনীশুবা মেটচতা ওষ্ট্রেলিয়াবু মায়থিবা পীখি। অদুগা ঙসি শান্নবা গ্রুপ (এ) গী অহুমশুবামেটচতা য়ুম্লোনরিবা লৈবাক বংলাদেশপু য়াম্না হেনবা মওংদা পোইন্ট ৫৭–২০ দা মায়থিবা পীদুনা গ্রুপ অসিগী পোইন্ট টেবলদা সাউথ কোরিয়াগা লোয়নন্না মকোক্তা লৈমিন্নরি।

মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফতগী হৌরগা ইন্দিয়ানা বংলাদেশপু পোইন্ট ১৭ হেল্লগা ২৭–১০ দা হেনখিবনি। অদুগা অনীশুবা হাল্ফতদি ইন্দিয়ানা পোইন্ট ৩০ লৌরকপদা বংলাদেশনা শুপ্নগী পোইন্ট ১০ খক লৌরগা মেটচ অদু ইন্দিয়ানা পোইন্ট ৫৭–২০ দা মায়থিবা পীখি।

গ্রুপ (বি) দা শান্নখিবা ঙসিগী মেটচ অমদা গ্রুপ অদুগী পোইন্ট টেবলদা হান্নদগী মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা ইরান্না কেনিয়াবু পোইন্ট ৩৩–২৮ তা মায়থিবা পীদুনা ইরানগী টিম ৱার্ল্ড কপ কবাদ্দি অসিগী সেমি ফাইনেল য়ৌনবগী লম্বেলদা য়াম্না নক্না লৈবা ঙমখি।

# পোর্টুগালগী এ সিলভাগী হেটট্রিকনা ফারো আয়রলেন্দসপু মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট ৬ ফংখ্রে



*ফারো আইসলেন্সকী মায়কৈদা হেটট্রিক চনখিবা পোর্টুগালগী এন্দি সিলভা*

*টোরস্বান, ওক্তোবর ১১ঃ*

রুশিয়াগী সহর মোস্কোদা কুমজা ২০১৮ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট য়াওবা ঙম্ননবগীদমক তোঙান–তোঙানবা ফুটবোল কনফিদরেসনগী মখাদা লৈবা লৈবাকশিংনা শান্নবা ক্বালিফাইং টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা য়ুরোপকী গ্রুপ (বি) গী ঙরাং ফারো আইলেন্সতা শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা য়ুম্বু টিম অদুবু পোর্টুগালগী এ সিলভানা চনখিবা হেটট্রিকনা পাঞ্জল ৬–০ দা পোর্টুগালনা থোইবা ঙমখ্রে।

গ্রুপ (বি) গী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহুমশুবা রাউন্দ অদুদা হন্দক্তা লোইশিনখিবা য়ুরোপিয়ান ফুটবোল টুর্নামেন্টকী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা পোর্টুগালনা ফারো আইলেন্সপু হৌবদগী হৌনা খুদুম চনবা ঙমখি।

মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফতা পাঞ্জল অহুম চনখি। অহুমক পোর্টুগালগী ষ্ট্রাইকর এনিদ্র সিলভানা ১২, ২২ অমসুং ৩৭ শুবা মিনিটতা চন্দুনা হেটট্রিক ফংখি। অনীশুবা হাল্ফতা ফারো আইলেন্সকী মায়কৈদগী ফনা কন্না হোৎনরবসু পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমদনা লৈখি।

৬৫ শুবা মিনিটতা রোনাল্ডোনা ৪ শুবা পাঞ্জল অদু চনখি। অদুগা মেটচকী ৫ শুবা অমসুং ৬ শুবা পাঞ্জল অদুনা মেটচকী ইনজুরি টাইমদা মোন্টিনো অমসুং কেনসেলোনা চনখি।

গ্রুপ অদুগী অতোপ্পা মেটচ অনীদা স্বিটজরলেন্দ অমসুং হঙ্গেরি মায় পাকখি।

গ্রুপ (এ) গী ঙরাং শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা ফ্রান্সনা নেদরলেন্দসপু পাঞ্জল ১–০ দা থোইখি। অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু পোগবানা ৩০ শুবা মিনিটতা চনখিবনি। অদুগা গ্রুপ অদুগী অনীশুবা মেটচ অমদা বলগেরিয়াবু স্বিদেননা পাঞ্জল ৩–০ দাথোইখি। লোয়নন্না বেলারস অমসুং লুজেমবর্গ পাঞ্জল ১–১ চন্নরগা দ্রো চৎখি।

য়ুরোপিয়ান ফুটবোল কনফিদরেসনগী ৱার্ল্ড ক্বালিফাইরগী ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা বেলজিয়মনা গিব্রালটরবু পাঞ্জল ৬–০ দা থোইখি। মদুদা বেলজিয়মগী বেনটিকিনা অহৌবা মিনিটতা পাঞ্জল অমা, হল্ফ লোইরমদাইদা পাঞ্জল অমা অমদি অনীশুবা হাল্ফতা পাঞ্জল অমা চল্লগা হেটট্রিক ফংখি। অতোপ্পা পাঞ্জল ৩ অদুনা ৱিটসেল, মার্টেন্স অমসুং হেজার্দনা চনখি।

গ্রুপ অসিগী অতোপ্পা মেটচ অনীদা গ্রিসকী টোরোসিদিস অমসুং ষ্টাফিলিদিসনা চনখিবা পাঞ্জল অনীনা ইষ্টোনিয়াবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীখি। অদুগা গ্রুপ অদুমক্কী অতোপ্পা মেটচ অমদনা বোসনিয়া এন্দ হর্জিগোবিনানা সাইপ্রসপু পাঞ্জল ২–০ দা থোইখি। মেটচ অদুগী পাঞ্জল অনীমক জেকোনা অনীশুবা হাল্ফতা চনখিবনি।









Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*